

*ইন্দিয়ানা আই সি সিগী ও দি আই অমসুং টি-২০ টিম ওফ দি ইয়রগী মনা লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা স্মৃতি মন্ধনা*

*গোৱাগী ফুটবোল ক্লব দেম্পোগী অনৌবা টেক্নিকেল দাইরেক্টরগী ফম পুহনখ্রবা এ এফ সিগী 'এ' লাইসেন্স হোল্ডর মশাগী চহী ৩১ শুরবী অঞ্জু টুরাম্বেকর*



## হেরো আই-লীগতা আইজোল অমসুং চেন্নাই সিটি গোল ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে



*আইজোল, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই-লীগকী ঙসি আইজোলদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু আইজোল অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সি গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইরিবা আইজোলগী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা হেন্না চখদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৯শুবা মিনিটতা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখিবা আইজোল টিমগী শান্নরোই ৱিলিয়ম লালনুনফেলানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

চেন্নাই সিটি এফ সিগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা অনৌবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চখরকখি। অদুবু আইজোলগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী মথৌ অদু মশক খঙনা শান্নখিবদগী গোল হনে দাকপা ঙমহন্দনা থমখি।

মতম কুইনা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৪১শুবা মিনিটতা চেন্নাই সিটি এফ সিগা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই রোবার্টো ইস্লাভা স্বারেজনা গোল ওন্থোক্তুনা গোল ১-১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা মেটচ অসি মায় পাক্নবগীদমক এটেক কয়া চখনদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখ্রবসু মায়কৈ অনীগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা মায়োক্নদুনা লৈখিবদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী হেরো আই-লীগকী ঙসি আইজোল অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি গোল ১-১ দা মান্নদুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নরগা লোইশিনখি।

## ইন্দিয়ানা আইসিসিগী ও দি আই অমসুং টি-২০ টিমগী মনা ফংখ্রে

*দুবাই, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী ৱান দে ইন্টরনেসনেল অমসুং টি-২০ টিম ওফ দি ইয়রগী মনাশিং লৌখ্রে।

স্মৃতি মন্ধনা য়াওখিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না আই সি সিগী ও দি আই অমসুং টি-২০ টিম ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমদা স্মৃতি মন্ধনাগা লোয়ননা ঝুলন গোস্বামী, পুনম যাদব অমসুং সিখা পান্দেসু য়াওরি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই মন্ধনা লৈবাক অসিগী ওইনা ৱান দে ইন্টরনেসনেল মেটচ ৫১ অমসুং টি-২০ মেটচ শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক্না ও দি আই অমসুং টি-২০ পুল্লগা রন ৩৪৭৬ লৌবা ঙমখ্রে।

ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এলিসা হিলিনা টি-২০ ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখি। মহাক্না শ্রী লঙ্কাগা শান্নখিবা মেটচতা রেকোর্ড ওইনা রন ১৪৮ লৌবা ঙমখিবনি।

ও দি আই ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনাসু ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই ইল্লিসে পেরিনা ফংবা ঙমখি। মহাক্না পুন্না রন ৪৪১ গা লোয়ননা ৱিকেট ২১ লৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না থাইলেন্দবু ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচতা স্বিদেনগা শান্নরগনি

*মুম্বাই, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সি) ঃ*



ইন্দিয়াগী য়ু-১৭ নুপী ফুটবোল টিম্না স্পেন অমসুং থাইলেন্দগা লোয়ননা শান্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দনা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা কৃটিনা দেবীনা অরোইবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেলদা স্বিদেনগা লম্বা তৌনরগনি।

টিম অনীমক মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ ওইখিবনা হেক হৌবদগী শান্নরোইশিংনা অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী অনীশুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই অমনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট লিন্দা কোমগী কোক মথক্তা চৎখিবদগী গোল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

থাইলেন্দগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী কোচ থোমাস দেন্নরবিগা পুন্না চখিবা ট্রেনিং সেসন দা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংবু প্রেসর করম্না মায়োক্নগনি হায়বগী মতাং দা কুপ্না য়েংশিন্দুনা শান্নরোইশিংদা তাকপী-তম্বীখিবনি।


দেন্নরবিনা তাকপীখিবশিং অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা শীজিন্নদুনা থাইলেন্দগী শান্নরোইশিংবু মতম পুম্নমক্তা লাকশিন্দুনা থম্নবা হোৎনখি। থাইলেন্দগী টিমসু মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ ওইখিবনা শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নদুনা লাকখি।

টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু মেটচকী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনিট খরা চঙশিল্লকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা থাইলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মঞ্জুনা য়াম্না ফজনা সেব তৌখিবদগী পাঞ্জল শোথরম্বা য়াবা তাঞ্জাদগী কনবা ঙমখি।

মেটচকী ৬৩শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা ফ্রি কিক অমা ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেটচকী ৯০শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা কৃটিনা দেবীনা য়াম্না মরুওইবা গোল অমা চন্দুনা থাইলেন্দবু ১-০ দা থোইদুনা ত্রাই নেসন্স টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা স্বিদেনগা লম্বা তৌনরগনি।

## দিপক পুনিয়ানা জুনিয়র ফ্রিস্টাইলগী রেষ্টলর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর দিপক পুনিয়ানা মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা জুনিয়র ফ্রিস্টাইল রেষ্টলর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে।

য়ুনাইটেদ ৱার্ল্ড রেষ্টলিংনা ঙসি লাওথোরকপদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপা রেষ্টলর দিপক পুনিয়াবু ৱার্ল্ড বেষ্ট জুনিয়র ফ্রিস্টাইল রেষ্টলর ওফ দি ইয়রগী মনা পীদুনা ইকাই খুম্নখিবনি।

মশাগী চহী ১৮ শুরবা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর দিপক পুনিয়া লৈবকা অসিগী অহানবা রেষ্টলর অমা ওইনা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

দিপক পুনিয়া চহী অসিদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ্তসু সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। মহাক শোকপনা মরম ওইরগা ইরানগী রেষ্টলর হাসন য়াজদানিগা ফাইনেল বাওট শান্নবা ঙমখিদবদগী সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

মহাকপু মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা ফ্রিস্টাইল রেষ্টলর ওফ দি ইয়রগী মনা পীরকপা অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মনা অসিনা মহাকপু তুংদা পাঙথোক্নদবা অচৌবা চেম্পিয়নসিপশিং শরুক য়াবদা অনৌবা থৌনা অমা হাপ্পগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

দিপক পুনিয়া হৌজিক-হৌজিক নুপাগী কেজি ৮৬ গী কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙল্লিবনি। কুমজা ২০১৬ কী কেদেট ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর দিপক কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্নদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অসিদা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা গেমস ওইনা কেজি ৮৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াগনি।

দিপক পুনিয়া টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী রেষ্টলিং দিসিপ্লিন্দা মেডল অমদি শোয়দনা ফংগনি হায়না পানরিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অমনি।

## '২০১২ ওলেম্পিকস্তগী টোকিও ওলেম্পিকস্তা মেডল হেন্না লৌগনি'

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সি) ঃ*

কুমজা ২০১২ ওলেম্পিক গেমসতা লৌখিবা মেডল মশীং অদুদগী মথং চহীদা পাঙথোক্নদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এঠলেটেশিংনা মেডল হেন্না লৌবগী শক্তি লৈ হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী এঠলেটেশিংনা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা পুন্না মেডল ৬ লৌবা ঙমখি। মেডলশিং অসিগী মনুংদা সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৪ নি। অদুবু কুমজা ২০১৬ তা ব্রাজিলগী রিওদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা শুপ্নগী মেডল অনীখক লৌবা ঙমদুনা য়াম্না নীংবা কায়না হল্লকখিবনি।

টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কীম (টোপ্স) কী মখাদা ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংগী পার্ফোমেন্স ফজনা নৈনরি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী এঠলেট ৬১ টোকিও গেমস অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে। ক্বালিফিকেসন প্রোসেস অসি মথং চহীগী মে থা ফাওবা চখগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখি।

মফম পুম্নমক্তা ইশু কয়া অমা লৈরি, গভর্ণনেন্স অসিনা খ্বাইদগী চাওবা ইশুনি। করিগুম্বা মতমদা এঠলেটশিংনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবসু ফেদরেসন্না মিনিষ্ট্রিদা ফজনা পাউ পীদবদগী এঠলেট অদু শেমগৎপদা চাওনা অপনবা পীরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

অদুবু হৌজিক্তি শান্নরোইশিং, ফেদরেসনশিং অমসুং গভর্ণমেন্টকা পুন্না চৎমিন্নবা ঙমদুনা হান্না লৈরম্বা অহোবশিং অদু অয়াম্বা মেনখৎপা ঙম্লে। ঐহাক্না মিনিষ্টর ওইবদগী ফেদরেসনশিং কৌদুনা ৱারী শান্নরবা মতুং মত মান্নরমদবশিং অদু কোকহনবা ঙমহনখি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

## জপানগী নুপী ফুটবোল টিম্না টোর্চ রিলে হৌদোক্লগনি

*টোকিও, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সি) ঃ*

মথং চহীদা জপানন্না য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্নদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস হৌদোকপগী টোর্চ রিলে অদু মার্চকী ২৬ দা কুমজা ২০১১ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ৱিন্নিং টিম ওইখিবা জপানগী ফুটবোল টিম্না পুদুনা হৌদোক্লগনি।

ওলেম্পিক গেমস হৌদোকপগী টোর্চ রিলে অসি জপানগী সিটি ফুকুসিমাদগী হৌদোক্কনি। ফুকুসিমা সিটি অসি চহী ৮ রোমগী মমাঙদা সুনামী, আর্থক্বেক অমসুং ন্যুক্লিয়রগী অরেমখাকশিংনা মাঙ তাকহনখিবা সিটি অমনি।

নুমিৎ ১২১ চঙনা চৎকদৌরিবা টোর্চ রিলে অসি ফুকুসিমাদা লৈবা জে-ভিল্লেজ স্পোর্টস ট্রেনিং সেন্টরদগী হৌরগা মাউন্ট ফুজি অমসুং হিরোশিমা পিছ পার্ক ফাওদুনা চৎকদবনি।

## ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৩২শুবদা হাইগৎখ্রে, সিন্ধু ৬শুবদা লৈখ্রে

*কোলা লম্পু, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সি) ঃ*



ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপা সট্লর বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) না ঙসি থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্টতা কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৩২শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবী সট্লর পি ভি সিন্ধু ৬শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা বাংলাদেশ ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জগী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্লর লক্ষ্য সেননা মালেসিয়াগী লিওং জুন হাওবু ২২-২০, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

লক্ষ্য সেননা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট ৫ গী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অসিনা ঙসি থাদোরকখিবা বি দব্লিয়ু এফ রেঙ্কিং লিষ্ট অসিনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী পোজিসন ৯ হাইগৎলগা ৩২শুবা রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমত্তা টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখিদ্রে। বি সাই প্রনিথ অমসুং কিদম্বী স্রিকান্থ মথংশিংনা ১১শুবা অমসুং ১২শুবা পোজিসন দা লেঙদনা লৈরি।

হন্দক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপী সট্লর পি ভি সিন্ধু ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৬শুবদা লৈরি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সট্লর সাইনা নেহৱাল মফম অমা হন্থরগা ১১শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না ন্যু জিলেন্দগা, নুপীগীনা নেদরলেন্দসকা শান্নরগনি

*টোকিও, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সি) ঃ*

মথং চহীদা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না ন্যু জিলেন্দগা অদুগা নুপীগী হোক্কী টিম্না নেদরলেন্দসকা অহানবা মেটচশিং শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্লগনি।

ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) না ঙসি লাওথোরকখিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী হোক্কী দিসিপ্লিন ফিকচর ওইনা জুলাই ২৫ দা শান্নগদবা অহানবা নুমিৎকী কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিমশিং মথংশিংনা ন্যু জিলেন্দ অমসুং নেদরলেন্দসকা শান্নগনি। ওলেম্পিক গেমসকী পুৱারীদা ৮লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইন্দিয়ানা গ্রুপ 'এ'গী মথংগী নুমিৎতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওস্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না জুলাই ২৮ দা স্পেনগা, জুলাই ৩০ দা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাগা অমসুং জুলাই ৩১ দা গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না গ্রুপ 'এ' দা জর্মনি, গ্রেট বৃটেন, আয়রলেন্দ অমসুং সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগনি। নুপা অমসুং নুপীগী গোল্ড মেডল মেটচশিং মথংশিংনা ওগষ্ট ৬ অমসুং ৭ তা শান্নগনি।


# SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL

## POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL

Recognised by the BOSEM & COHSEM

# ADMISSION OPEN

## FOR THE ACADEMIC SESSION 2020

## FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL/5587/6 Dec.+ 15 Days


### ক্রোসৱার্দ ৩৭২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | P | E | R | A | ■ | T | E | M | P | ■ | J | A | V | A |
| C | O | M | E | R | ■ | A | M | I | R | ■ | U | L | A | N |
| T | E | M | P | O | ■ | L | I | L | A | ■ | D | O | L | T |
| ■ | ■ | Y | O | U | S | I | L | L | Y | G | O | O | S | E |
| A | M | A | S | S | E | S | ■ | E | E | R | ■ | F | E | D |
| M | A | W | ■ | E | L | M | ■ | T | R | A | Y | ■ | ■ | ■ |
| I | R | A | E | ■ | M | A | R | ■ | ■ | N | O | M | S | G |
| S | I | R | F | R | A | N | C | I | S | D | R | A | K | E |
| H | A | D | T | O | ■ | ■ | A | S | A | ■ | K | N | O | T |
| ■ | ■ | ■ | S | M | O | G | ■ | O | T | B | ■ | N | A | B |
| Q | T | S | ■ | A | R | R | ■ | L | O | O | S | E | L | Y |
| T | A | K | I | N | G | A | G | A | N | D | E | R | ■ | ■ |
| I | B | I | S | ■ | A | T | I | T | ■ | I | D | I | O | T |
| P | O | L | L | ■ | N | I | L | E | ■ | C | A | S | A | S |
| S | O | L | E | ■ | S | S | T | S | ■ | E | N | T | R | E |

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

-----

NOTIFICATION
Imphal, the 16th December, 2019

No.G/MNC/2019-DHS: In continuation of this directorate notification of even number dated 24/05/2019 and 11/12/2019, the Walk-in-Interview for contract engagement to the post of (1) One **Office Assistant-cum-Computer Operator** and (2) One **Peon-cum-Sweeper** for Manipur Nursing Council will be held on **21/12/2019** at Manipur Nursing Council.

All the candidates are instructed to bring all his/her relevant documents in original including Admit Card, Educational /Technical Certificates, OBC/SC/ST certificates etc. otherwise relevant will not be entertained for the Interview.

**Time: 9.30 a.m. to 4 p.m.**

Sd/-
(Dr. K. Rajo Singh)
Director of Health Services, Manipur

SL/B/17 &18

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORTATE

----

**NOTIFICATION**
Imphal, the 16th December, 2019

No.G/GNM SCHOOL(TBL)/DHS-2018: In continuation of this directorate notification of even number dated 02/01/2019, 29/05/2019 & 12/08/2019, Written Test Examination for direct recruitment to the post of (1) Librarian, (2) Lower Division Clerk, (3) Stenographer Grade-III, (4) Driver (Light) and (5) Grade-IV/MTS for GNM School, Thoubal will be held on **22/12/2019 (Sunday)** at **T.G. Higher Secondary School, Imphal.**

Candidates are informed to report on or before **9.30 a.m**. at the Examination Centre on **22/12/2019 (Sunday)**. No candidates will be allowed to the examination centre without original Admit Card. Only **Blue and Black Pens** will be allowed in the Examination.

Sd/-
( Dr. K. Rajo Singh )
Director of Health Services, Manipur

SL/B/17,18 & 19